চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

MERRY CHRISTMAS Offer
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
MSV72CL = ₹ 8999
7.5 KG = ₹ 9500
8KG = ₹ 9999
7KG GODREJ = ₹ 11000
REFRIGERATOR
180 L GODREJ ₹ 12500 = ₹ 10500
185 L GODREJ ₹ 13400 = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12700
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
50" LED SMART = ₹ 37500
55" SMART LED 4K = ₹ 48000
43" LED FULL HD = ₹ 24000
32" LED (TV) = ₹ 13600
24" LED (TV) = ₹ 9300
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

# SANALEIBAK

WATER PURIFIER EUREKA FORBES FREE UV
32" LED INTEX TV
180 LT. 3 STAR REFRIG INTEX ₹ 29,500
6.2 KG WASHER
40" LED INTEX TV
190 LT. GODREJ REFRI. ₹ 41,500
1903 INTEX REFRI. FREE ₹4999
8 KG INTEX WASHER
24" LED INTEX TV
REFRIGERATOR 1902 BP ₹ 26,000
6.2 KG WASHER
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.



মোরে বট্টালিয়ন এ আর অমসুং ম্যান্মার ওঠোরিটিগা দিসেম্বর থাগী ওইনা পাঙথোকখিবা ইন্দো–ম্যান্মার পোষ্ট লেভেল মিটিংগী শক্তম অমা



লাইজা ঈশিং হোলদা খোরিরোল শন্দোক লূপ অমদি ইমুং–মনুংনা শীন্দুনা সাহিত্য একাডেমি ট্রান্সলেসন এৱার্ডি এস নন্দকিশ্বর লৈখিদবগী নীংশিং থৌরমগী শক্তম অমা



মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা কুমজা ২০১৯গী ৱাল কেলেন্দর এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়নগী টিম্না ফোঙবা

Volumn No: 43 Issue: 36 IMPHAL,TUESDAY 1 JANUARY, 2019 লৈবাকপোকপা, পোইনুগী ২৬ নি পানবা www.sanaleibak.in RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

ঐখোয়না মাঙলমচৎকা খৎনরবদি,ঐখোয়গী তুংলমচৎ লৈরোই

## চহীগী মীফম য়াওবিয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১(এস এন এস) ঃ ওল মণিপুর নিউজ পেপরস সেল এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিয়েসনগী চহীগী থৌরম লাক্লিবা জনুৱারি ২,য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা খুরাই নান্দেবম লৈকাই পাঙ্গে রোদতা লৈবা সোসিয়েল ষ্টেন্দর্দ ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী অনকপা অমদি অরাপ্পদা লৈরিবা মেম্বরশিংনা চেবাউ ফঙবা–ফঙবীদবা থিদনা মতম চানা লাকপীনবা এসোসিয়েসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী এন সুসিলকুমারনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

## মৌ নহা ১শিরক্নে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইরোইশেম্বা চিংজিন ইরোংদা মৌ নহা অমা থৌরি য়াল্লগা শিরক্নে।

লৈখিদ্রবা মৌ নহা অদুগী মমিং কৈশাম ওংবী অবেমচা(২৫) মপুরোইবা সিনশুপাল কৌই। ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাকয়েল কোলোম লৈকায়দগী। থৌদোক অসিগী মতাংদা অবেমচাগী মনেম্বোক্না ফোংদোরকপদা অবেমচা ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা য়ুমদগী থোকখিবদগী অবেমচাগী মপমগী ইমুং মনুং য়াওনা ঙরাংদগী থিরগা লাকখিবনি। থিবা ফংদনা লৈরক্লবা মতুং ঙসি ইরোইশেম্বগী মফমদুদা হৌবা উ *মখা লমায় ৩দা...*

*মখা লমায় ৩দা...*

### GOLD PRICE 10G/24K

DELHI : RUPEES 32,630.00 /-
KOLKATA: RUPEES 32,520.00 /-
BENGALURU: RUPEES 32,635.00 /-

### FOREX (INDIA RUPES)

US DOLLAR : 1 USD = 69.92964 INR
POUND : 1 GBP = 88.77965 INR
CHINES YUAN: 1 CNY = 10.16596 INR

### অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাৱগী চাং ঃ ২১.৮° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ২.৮° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং– ৫.৫৮
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৪.৩৬

### পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৫ .০২
ডিজল লিটরদা – লুপা ৫৮.৯৩

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৫ দা

### লোইরেদনা

লৈহৌরোকো চান্নবী, হন্দক মপোক্কীদি গুদ বায়.. ইক... !



চৎলোকো পাম্মুবা ঐসু কুইদৌ মান্দ্রে ঙাইবীরম্মুকো !

### হেক্তা হায়জিনবা

## হেপি নিউ ইয়ার

হেপি নিউ ইয়ার
নুংঙাইথোকপা হৈবনিনা নুংঙাইয়ু
চহী অমা হাপচিনবগী পূন্সিদা
হেপি নিউ ইয়ার
চহী অহুম হাপচিনসনু
লাক্লিবা চহী অমসিদা
নিউ ইয়ারদা অমা
শজিবু চৈরাওবদা অমা
গৌর চৈরাওবদা অমা
হেপি নিউ ইয়ার
নুঙাইথোকপা হৈবনিনা নুংঙাইয়ু
চহী অমা হাপচিনবদা পূন্সিদা
লৈঙাকপনা অশেংবা তৌদসনু
রাজনিটিৱানা ওইদবা ঙাওসনু
প্রজাসু খদ্রক তৌসনু
ঙাওবদদি কোনশেং শাসনু
হেপি নিউ ইয়ার
হান্নদগী সুকহোং হোংদসনু
হামু হামু তাসনু
নুংঙাইবদি অদুম নুংঙাইথোকসি
হেপি নিউ ইয়ার

এফ সি এস গোদাউন্দগী য়াম্লবা চেঙ মাঙলৱ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে

# গোদাউন্দদা থম্বা য়াবা চাংদগী লৈ হায়না চেদা উৎপনা শরুক ৩ হেল্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১(এস এন এস) ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী কঞ্জুমরস এফিয়ার্স ফুড এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্টকী সঙাইপ্রৌ অমসুং কোইরেঙ্গৈদা লৈরিবা গোদাউন্দদগী য়াম্লবা চেঙ মাঙখ্রবা হায়বগী চিংনবা য়াবা ৱাফম কয়ামরুম থোরক্লে।



থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়,সঙাইপ্রৌদা লৈরিবা এফ সি এস গোদাউন্দ সেট ৪(মরি) অমসুং কোইরেঙ্গৈদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী গোদান্দ সেট ৩ (অহুম)দা থম্বা চনবা চেঙগী চাঙ অদুদগী মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা পীখৎলকপা ষ্টোক্কী ষ্টেটমেন্ট একাউন্টতা উৎলিবা চেঙগী চাংনা শরুক ৩ হেনবা য়াওরে। ওঠোরিটিনা মখোয়গী গোদাউন্দদা লৈ হায়না উৎলিবা চেঙগী চাং অদুসু হকথেংননা য়েংবদা শরুক ১০গী মনুংদা ১ ফাওবা লৈবগী খুদম ফঙদে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়,ঙসি অয়ুক ফাওবদা সেট নম্বর–ৱানদা এদিসনেল মিনিমম সপোর্ট প্রাইজগী চেঙ ক্বিন্টন ৯৫০,পাইওরিটি প্রাইজগী চেঙ ক্বিন্টন ৫৫,৭৬৩,এ এ ৱাইগী চেঙ ক্বিন্টন ৫,০৩৯ পুন্না চেঙ ক্বিন্টন ৬১,৭৫২ লৈ হায়না ষ্টোক্কী ষ্টেটমেন্ট একাউন্টতা উৎলি। অদুমকপু সেট নম্বর–ৱান অসিগী ষ্টোক কেপাসিটিদি শুপ্নতগী চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২০ খক্তনি। চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২০ খক থম্বা য়ানবা শাখিবা গোদাউন্দদা কমদৌনা চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ৬১.৭৫ হেন্না লৈ হায়না উৎলি। গোদাউন্দ অসিদা থম্ফম থোকপা চেঙগী কেপাসিটি লিশিং ২০ অসিগা য়েংনরুব্বদা ষ্টোকতা লৈ হায়না মখোয়না উৎলিবা চেঙগী চাংনা ক্বিন্টন লিশিং ৪১.৭৫ রোমনি। হায়রিবা চেঙগী চাং অসি ট্রক অমদা হোল্লগা পুবা তারগদি ট্রক ৬০০কী মপোৎনি হায়রি।

সেট নম্বর–টুগী কেপাসিটিসু চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২০ থম্ননবা শাখিবনি। অদুগা ষ্টোকতা লৈ হায়না উৎলিবনা চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২৬.৮৮নি। মিনিমম সপোর্ট প্রাইজগী চেঙনা ক্বিন্টন ১,২৪৫, পাইওরিটি রাইসনা ক্বিন্টন লিশিং ১৯.৬৬,এ এ ৱাইগীনা ক্বিন্টন লিশিং ৪.৯৮ অমসুং পুন্না লৈরিবনা চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২৬.৮৮ রোমনি।

সেট নম্বর–থ্রীগী কেপাসিটিনা চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২০ থম্বা চনবা গোদাউন্দদা পুন্না চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২৯.৯৯ হেন্না থল্লি হায়না উৎলি।

সেট নম্বর–ফোরগী কেপাসিটিনা চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ১০নি। হৌজিক লৈরিবা চেঙ ক্বিন্ট লিশিং ১৪.০৫ রোমনি।

মতৌ অসুম্না সেট নম্বর–ৱানদা পায়রিবা ষ্টোক কিপ্পরগী মখাদা কোরেঙ্গৈদা লৈবা সেট নম্বর–সিক্স অসিদসু চপ মান্নবা মওং অমা উবা ফঙই। ষ্টোর অসিগী কেপাসিটি লিশিং ৫ নি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা হায়রিবা চেঙগী চাংনা ক্বিন্টন লিশিং ৩৩.০৬নি। মসিদসু চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২৮.০৬ হেন্না থমজিনবগী রেকোর্ডতা উৎলি। মতৌ অসুম্না সঙাইপ্রৌ গোদাউন্দগী সেট নম্বর–ফোরগী ষ্টোক কিপ্পরনা পায়বা কোরেঙ্গৈদা লৈবা সেট নম্বর–আইটতসু থম্বা য়াবা চাংদগী চেঙ ক্বিন্টন লিশিং ২২.৪৩ রোম থমজিল্লি হায়বা উৎলি। কোরেঙ্গৈদা লৈবা *মখা লমায় ৩দা...*

# পি এম জি এস ৱাইগী ১১ শুবা ফেজগী ক্রোর ২৬৬১ পীরকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১(এস এন এস) ঃ প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক যোজনা (পি এম জি এস ৱাই)গী ১১ শুবা ফেজগী ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টনা মণিপুরগী লুপা ক্রোর ২৬৬১ সেঙ্কসন তৌরকখ্রে।

রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী চহীগী কেলেন্দর ফোঙবগা মরি লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবদা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, হায়রিবা লুপা ক্রোর ২৬৬১ অসিগী বেটচ অহুম থোক্লা থল্লিবনি। মসিগী মনুংদা বেটচ ৱান্দনা লুপা ক্রোর ৫৮৮, বেটচ টুদনা লুপা ক্রোর ১২০৫ অমসুং বেটচ থ্রিদনা লুপা ক্রোর ৯৭১ য়াওরি।

মসিগী অপুনবা থবক মশীংনা ৪৫৮নি। মসিগী মনুংদা ৮৬না থোংনি অদুগা ৩৭২ না লম্বী শেম্বগীনি। মসিগী তেন্দর প্রোসেস লোইখ্রে। লাক্লিবা কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল থাদগী পি এম জি এস ৱাই টু চৎনগদবা অদু য়েংলগা মার্চ ফাওবদা থবক ওইনা লৌখৎনবা হোৎনবনি।

লাইবক থিবদি কন্ট্রেক্টর লাক্তবা পেকেজ খরদা অনৌবা চহী লাক্লবা তুংদা অমুক হন্না তেন্দর তৌবগী থবক লৌখৎপগা লোয়ননা সিঙ্গল তারবসু মসিগী প্রোসেস তৌরগনি।

লমদম অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা এম এস আর আর দিএনা চঙশিল্লকপা অসিদা পুন্না কিমি ৪৬৬৯.৯৪ শাংবা লম্বী অমা পীনবা পান্দম থল্লি। লোয়ননা থোংগী অশাংবনা ৪০৩৫.০৪ মিটরগী অশাংবা অমা পীনবা হোৎনরিবনি। অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী পান্দম থম্ববা অসি চাদ চাম্ম লোইশিনবা ঙমদ্রবসু চাদ ৮০ দি পীগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, পি এম জি এস ৱাইগী কোংগ্রেস লৈঙাক লৈবা মতমদা লুপা ক্রোর ৩০০ খক্তমক সেঙ্কসন তৌরম্বা অদু অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপা মতুংদা লুপা ক্রোর ৬০০ পীরকখ্রে।

মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা কিমি ৫৪৫খক শাংবা লম্বী শেম্লম্বা অদু অনৌবা লৈঙাক লাক্লবা মতুংদা কিমি ৭৩১ শেম্বা লোইশিনখ্রে।

মসিদা নত্তনা জি আই এস সিষ্টেম অসি শিজিন্নবা হৌদোকপা ঙমখিবা অসিসু শিংথানিঙাই ওইবা থবক্নি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কংগ্রেস পার্টিনা হৌজিক পায়রিবা লৈঙাক অসিনা তৌরিবা থবক অসি চাদ ৯৭তি কোংগ্রেসনা তৌরম্বনি অদুগা চাদ ৩ না বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা তৌবনি হায়না পনখি। মখোয়না মসিগী ৱাফম অসি ফোঙদোকপা তারবদি মখোয়গী মতমদা পৎলগা লৈরম্লীবা প্রোজেক্টশিং অসিগী অশেংবসু মীয়ামদা খঙহনফম থোকই।

মহাক্না মখা তানা হায়, কোংগ্রেস মতমদা দাম কয়া চহী কয়া পৎলগা থল্লম্মী। সিভিল সেক্রেটরিয়েট অসি ইং ২০১২দা হৌদোকখিবনি। মসি করম্বা মতমদা লোইশিনগদৌরিবনো হংনরিবা অসিসু কংগ্রেসনা চাদ ৯৭ লোইশিনলম্বনি হায়গদৌরিব্রা হংখি।

কংগ্রেসনা ওইথোক্লোইদবা ৱাফম পংঙাংদা ঙাংবা অসিনা পার্টি মরাই চায়থহনগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা লাওথোকপীরম্বা কংগ্রেসনা চহি ১৫ দা তৌবা ঙম্লমদবা অদু থা ১৫ দা তৌগনি হায়বদু ঙসি থবক ওইনা উৎলি।

ঙসি হেলিকোপ্টর সর্ভিস হৌদোকপা, ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগা দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈরিবা অসিসু মখোয়না চাদ ৯৭ লৈরম্বনি হায়গদৌরিব্রা হংখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা বি জে পি লৈঙাক্না করিগুম্বা অমা শঙ্গাবদা চাদ ৯৭ মখোয়না লোইশিনলম্বনি হায়রিবা অসি মপুং ফানা লোইশিনলগা মনা লৌরমদবগী মরম করিগীনো খুন্বীয়ু।

লৈঙাক অসিগী পৱার দিপার্টমেন্টকী মখাদা সব ষ্টেসন কয়া শারগা সৌভাগ্য স্কিমগী মখাদা মীয়ামদা মৈ ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। সেক,২০১১ দা চনলবা মীওইশিংদা মৈ কনেক্সন পীদুনা ফংহনলি।

ষ্টেট অসিগী পৱার এ টি সি লোসেস অসি য়াম্না হন্থরকপা অসিসু অফবা খোঙথাং অমনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কেভি ৪০০, কেভি ১৩২শিং অসিদা কে ভি লিশিং ১গী মৈ পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপা অসি কংগ্রেস পার্টিনা মখোয়না তৌরম্বনি হায়বিগদ্রা।

করম্বা লৈঙাক্না হেন্না থবক তৌই হায়বসি প্রজানা লেপকদবনি। কংগ্রেসন পার্টিনা চিন থিবগী হৈনবী দিভলাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নবা তোকপীরো হায়খি।

## পি এমগী খোঙচৎ– এস পি জিগী টিম থুংলরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১(এস এন এস) ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগী ইম্ফাল খোঙচৎ মাঙওইননা স্পিসিয়েল প্রোটেক্সন গ্রুপ (এস পি জি)গী মীওই তরুক্না শাবা টিম অমা থুংলরে। হয়েং আই জি পি অমা অমসুং দি আই জি অমসু থুংলরগনি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়, তোঙান–তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী অথিংবা,অপনবা কয়া মরুম লৈগদবা মরম্না প্রাইম মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা থুংলগদৌরিবসিলো এন্দ ওর্ডরগী অচৌবা ইশু অমনি। শিংনরকপশিং থেংননবগীদমক এস পি জিনা চপ–চানা থবক লৌখৎপা হৌরে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়,ইম্ফালদা থুংলরবা এস পি জিগী টিম অদুনা ঙসি কংলা মনুংদা লৈরিবা হেলিপেটতা চঙদুনা মফমদুগী সেক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন–থৌরাংগী মরমদা কুপ্না য়েংশিনখি। মদুগী মতুংদা সিভিক রিসিপসন পাঙথোক্কদৌরিবা ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা শেমগৎ–শাগৎলিবশিং অদুসু টিম অদুনা য়েংখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি ত্রিপুরাদগী ইম্ফালদা লাক্কদ্রা নৎত্রগা ইম্ফাল্লোমদা হান্না লাক্লগা কোন্না ত্রিপুরাদা চৎকদ্রা হায়বা চপ–চানা খঙদ্রি। মসিগীসু মথক্তা ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতা প্রাইম মিনিষ্টরনা থুংলবা তুংদা লম্বীদা গাড়ী তোংলগা থৌরম পাঙথোকফমদা হকথেংননা চৎকদ্রা নৎত্রগা এয়ারপোর্টতগী হেলিকোপ্টর তোংদুনা কংলা ফাওবা লাক্কদ্রা হায়বসু চপ–চানা খঙবা ঙমদ্রি। হয়েংদি তংদাংবা অমা খঙলবা য়াই।

অদুমকপু প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি শাংলবদা পুং ৩ লোমদগী হেল্লোইদৌরি। তেল্লবা মতম খরখক্কী ইম্ফালদা *মখা লমায় ৩দা...*

# গাড়ী হুরানবা ফাগৎপা ঙমদবা করিগীনো : জয়কিষন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১(এস এন এস) ঃ মণিপুরদা সাসন তৌরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সোসিয়েল মেদিয়াদা লৈঙাক অসিবু চৈবা মীওইশিং থিরগা ফাবগী মহুত্তা লমদম অসিদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরক্লবা গাড়ী হুরানবগী থৌদোকশিংদা চেন্নরিবশীং ওইনা ফাহন্নিংই। ঙসি ফাওবদা মশক খঙলবা গাড়ী হুরানবা মীওইশীং ফাদনা লৈরিবা অসি করি মরমগীনো হায়না এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা লৈঙাক্তা হংখ্রে।

ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা হায়, লৈঙাক অসিনা সোসিয়েল মেদিয়াদা করি ইরি করি তৌরি হায়বা থিগত্তুনা দিপার্টমেন্টশিংগী মীওই কয়া শিজিন্নদুনা ফাবা পুনবগী থবক চখবগী ৱাফম লৈরে।

লৈঙাক্কী অশোয়বা পুথোক্তুনা চৈরকপা মীওইশিংদা লৈঙাক্না মকন্থি থোক্তুনা ফাবা পুনবগী থবক চখবগী মহুত্তা মীয়াম্না খ্বাইদগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা গাড়ী হুরানবা অসি ফারগা এক্সন লৌবিয়ু হায়খি।

লৈঙাক্কী অসিগী এন্টি ভেহিকল ঠেফ য়ুনিট লৈ হায়না তাই। ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্না গাড়ী হুরানবা কয়া য়াম্না ফাগৎখ্রবগে হায়বদু নৈনবনা অফবা ওইগনি।

লৈঙাক অসি সোসিয়েল মেদিয়াদা থৱায় য়াওবনি। সোসিয়েল মেদিয়াদা গাড়ী হুরানখিবগী পোষ্ট কয়া অপলোদ তৌবনি। পুলিস ষ্টেসন কয়াদা গাড়ী হুরানবগী ৱাকৎ কয়া লাক্লিবনি।

চাকা অনি পানবা গাড়ীদগী চাকা ৪ পানবা গাড়ী ফাওবা হুরানবগী ৱাকৎ কয়া লৈরিবনি। ৱাফম অসি এসেমব্লিদা ফাওবা পুখৎখিবা লৈরবনি।

সি সি টি ভি কেমেরাগী মতেংদগী হুরানবসু মশক খঙদুনা তাক্লবা অমসুং হুরানবা ফারগসু গাড়ী অদু ফংনবা ঙমদনা লৈরি। ঙরাং নহান্দসু এয়ারপোর্টতা থবক তৌবা অঙাং অমগী এক্তিবা অমা হুরানখিবগী মতংদা হুরানবা অদু মশক তাক্লবা ফাওবদা হুরানবা অদুদা কনানা পাউ পীবনো হুরানখিবা গাড়ী অদু পুলিস ষ্টেসন অমগী মনাক্তা নম্বর ফক্তোক্লগা হুনে দাক্লম্বগী ৱাফম লৈখ্রবনি।

মসিদা নত্তনা ঙরাং নহান্তা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা হুরানলগা ৱার্কশোপতা শেম্নবা থৌজিখিবা গাড়ী তাতা দম্পর অমা ফাবা ঙমদবদগী হৈঙাং পুলিসকী *মখা লমায় ৩দা...*

## মীওই অমা মরাল লৈরে লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১(এস এন এস) ঃ কুমজা ২০১৮দা হৈরোক্কী মফম অমদা কানি কিলো ৫গা কোন্ননা ফাখিবা মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবা মীওই ১ নার্কোটিক্স ড্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সে (ফার্ষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট)কী স্পিসিয়েল জজনা ঙসি মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে।

মীওই অসিদা করম্বা চৈরাক পীগদগে হায়বদু লাক্লিবা জনুৱারি ৫দা কোর্ট অসিদা খন্ননবা মতম লেপখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা চহী অসিগী এপ্রিল ৬তা কোর্ট অসি হাংদোকখ্রবা তুংদা ময়াই চিঙ্গাক্কা মরী লৈননা চৈরাক পীবা হন্দক্কী অসিনা অনীশুবনি। হান্না মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবা ড্রগ লল্লোনবা অমসু চহী ১০গী মীয়াৎ পীখিবা লৈখ্রে।

ড্রগ লল্লোনবগা মরী লৈননা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মীওই অদু উরিপোক *মখা লমায় ৩দা...*

## অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১(এস এন এস) ঃ অনৌবা চহী ২০১৯না লাকপদা মণিপুরগী গভর্ণর,চীফ মিনিষ্টর,স্পিকর অমদি মিনিষ্টরশিংনা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি। মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়,অনৌবা চহী অসিদা ঐখোয়না শান্তি অমদি পুন্না হিংমিন্নবগী পাউজেল শন্দোক্লবা ৱারেপ লৌরসি। মাঙলমচৎতা ষ্টেট অসিগী ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈনবা মরী কায়হনবা য়াবা থৌদোক কয়া লৈখ্রবসু মণিপুরগী মীয়াম্না মখোয়গী লৈবাক মচা তাবা মতৌ *মখা লমায় ৩দা...*





সনালৈবাক্কী মরুওইবা টেলিফোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7005576312দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9958998160/9856429698দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588দা পাউ পীবিবা য়াগনি